# নেভিগীদমক লুপা ক্রোর ২১,০০০ চঙনা অনৌবা হেলিকোপ্টর ১১১ লৈগদৌরি



**ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৫ ঃ**

অচৌবা ৱারেপ অমদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি লুপা ক্রোর ২১,০০০ হেনবগী মমলদা ইন্দিয়ান নেভিগীদমক য়ুটিলিটি হেলিকোপ্টর ১১১ লৈনবগী অয়াবা পীখ্রে, মসিদা নত্তনা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ২১,০০০ রোমগী তোঙানবা প্রোক্যুমেন্ট প্রোপোজেলশিংগীসু অয়াবা পীখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী প্রোক্যুমেন্টকী মতাংদা খ্বাইদগী ৱারেপ লৌবা ঙম্বা বোদি ওইরিবা দিফেন্স একুয়িজিসন কাউন্সিল (দি এ সি) গী মীফম অমনা প্রোপোজেলশিং অদু অয়াবা পীখিবনি।

নেভিগী য়ুটিলিটি হেলিকোপ্টরশিং লৈগদৌরিবা অসি ফোরেন দিফেন্স মেন্যুফেক্চররশিংগা পার্টনরসিপ তৌনরগা ইন্দিয়াদা খনগৎলবা মিলিটরি প্লেটফোর্মশিং শানবা প্রাইভেৎ ফার্মশিংসু য়াহনগদৌরিবা আশা চাওরবা ষ্ট্রেতেজিক পার্টনরসিপ (এস পি) মোদেলগী মখাদা অহানবা প্রোজেক্টনি।

ঙসি শীংথানিংঙাই ওইবা ৱারেপ অমদা দি এ সি না লুপা ক্রোর ২১,০০০ হেনবগী মমলদা ইন্দিয়ান নেভিগীদমক য়ুটিলিটি হেলিকোপ্টর ১১১ লৈনবগী অয়াবা পীখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

য়ুটিলিটি হেলিকোপ্টরশিং অসি য়েক্লবশিংগী মথক্তা চত্থবা এটেক মিসনশিং লোয়ননা ছর্স এন্দ রেস্ক্যু অমসুং সর্ভিলেন্স ওপরেসনশিংদসু শীজিন্নগনি।

মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, দি এ সি না লুপা ক্রোর ২৪,৮৭৯.১৬ গী অতৈ প্রোক্যুমেন্ট প্রোপোজেল খরগীসু অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩,৩৬৪.৭৮ রোমগী শেনফম চঙগদবা ইন্দিয়ান আর্মিগীদমক লৈবাক অসিনা মশানা দিজাইন তৌজবা অমসুং পুথোকপা ১৫৫ এম এম এদভান্স তোৱদ আর্টিলরি গন সিষ্টেমস ১৫০ লৈবা য়াওরি।

গনশিং অসি দি আর দি ও (দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন) না দিজাইন তৌবনি অমসুং পুথোকপনি। মসি দি আর দি ও না হাপ্লা প্রদক্সন এজেন্সিশিংনা শাগদবনি।

দি এ সি না এন্টি–সবমেরিন ৱারফিয়ারদা থেংনবা ঙম্বা নেভেল মল্টি–রোল হেলিকোপ্টর (এন এম আর ঐচ) ২৪ লৈনবগী অয়াবসু পীখ্রে।

এম আর ঐচ হায়রিবা হেলিকোপ্টরশিং অসি এয়ারক্রাফ্ট কেরিয়রশিং, দিষ্ট্রোয়রশিং, ফ্রিগেটস অমসুং কোর্ভেটশিংগুম্বা মাঙজিন থাবা লানগী জহাজশিংগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি।

মসিগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা চপ যুংনা কাপখৎপা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল সিষ্টেম ১৪ লৈবগী অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মনুংদা সিষ্টেম ১০ দি লৈবাক অসিনা মশানা শাগনি সিষ্টেমশিং অসিনা এন্টি–সিপ মিসাইলশিংগী মায়োক্তা ঐখোয়গী জহাজশিংগী মশা ঙাকথোকচবা ঙম্বগী মপাঙ্গল হেনগৎহনগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

ইন্দিয়ান নেভিনা হৌখিবা চহীগী আগষ্টতা য়ুটিলিটি হেলিকোপ্টর ১১১ অমসুং মল্টি–রোল হেলিকোপ্ট ১২৩ লৈনবগীদমক গ্লোবেল রিক্বেষ্ট ফোর ইনফোর্মেসন (আর এফ আই) থোকখ্রে।

অহানবগী ওইনা ষ্ট্রেত্রেজিক পার্টনরশিং অদু সেগমেন্ট ৪– ফাইটর এয়াক্রাফ্ট, হেলিকোপ্টর, সবমেরিন অমসুং আর্মরদ ভেহিকলস/ মেইন বেট্টল তেঙ্কসতা খনগনি। মতুংগী তাঙ্কক্তা মসি অতৈ সেগমেন্টশিং হাপচিন্দুনা চাওথোকহল্লকপা য়াই।

# থা ১০ গী মনুংদা থবক ক্রোর ১.২ রোম শেমখ্রে ঃ *সি এস ও*

**ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৫ ঃ**

সেন্ত্রেল ষ্টেতিষ্টিক্স ওফিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না চহী অসিগী জুন থা ফাওবা থা ১০ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা চাওরাক্লা থবক ক্রোর ১.২ শেমখ্রে হায়রি।



সেন্ত্রেল ষ্টেতিষ্টিক্স ওফিস (সি এস ও) গী ইমপ্লোইমেন্টকী মতাংদা পুথোকপা রিপোর্ট অদু রিতাইয়ারমেন্ট ফন্দ বোদি ওইরিবা ই পি এফ ও, ইমপ্লোইয়ী ষ্টেট ইন্সুরেন্স স্কিম (ই এস আই সি) অমসুং এন পি এস তা মিং চল্লকখিবা অনৌবা মেম্বরশিংগী মশীংদা য়ূম্ফম ওইবনি।

রিপোর্ট অসিগী মতূং ইন্না সেপ্টেম্বর ২০১৭ দগী জুন ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা ই এস আই সি গী হেল্ঠ ইন্সুরেন্স স্কিম ওইরিবা ইমপ্লোইয়র্স ষ্টেট ইন্সুরেন্স (ই এস আই) দা অনৌবা মেম্বর ১,১৯,৬৬,১২৬ য়াওরকখি। মদুগী মনুংদা চহী অসিগী মে থাদা অনৌবা মেম্বর ১৩,১৮,৩৯৫ মিং চল্লকপগা লোয়ননা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

মসিগা মান্ননা ইমপ্লোইমেন্ট প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ই পি এফ ও) দসু অনৌবা মেম্বর ১,০৭,৫৪,৩৪৮ য়াওরকখি। থা ১০ গী মনুং অসিদা মীওই ৬০,৪০,৬১৬ না মসিগী মেম্বর ওইবা লেপখি। অনৌবা এন পি এস (নেস্নেল পেন্সন স্কিম) সবসক্রাইবরগী চাওরাকপা অপুনবা মশীং অসি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ৬,১০,৫৭৩ নি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়খি।

সেন্ত্রেল ষ্টেতিষ্টিক্স ওফিসনা সেপ্টেম্বর ২০১৭ দগী জুন ২০১৮ ফাওবগী মতম অসিদা ইমপ্লোইমেন্ট আউটলুক্কী রিপোর্ট অদু পুথোকখি। রিপোর্ট অসি তোঙান তোঙানবা হীরম খরদা ফংলিবা খুমাঙ চাওশিনবা অদু লেপ্লবা ই পি এফ ও, ই এস আই সি অমসুং পি এফ আর দি এ গুম্বা খনগৎপা গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংদা ফংবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ রেকোর্দশিংদা য়ূম্ফম ওইবনি হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেতিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসননা মরু ওইবা স্কিম ৩, ই পি এফ ও, ই এস আই সি অমসুং এন পি এস কী মখাদা কান্নবা ফংখ্রবা সবসক্রাইবরশিংগী মশীংগী ঈ–পাউ শীজিন্নদুনা সেপ্টেম্বর ২০১৭ ফেব্রুৱারী ২০১৮ ফাওবগী ওইবা ইমপ্লোইমেন্টকা মরী লৈনবা ষ্টেতিষ্টিক্সকী অহানবা রিপোর্ট অদু এপ্রিল ২০১৮ দা পুথোকখ্রে।

# রসিয়াদা থম্বা য়ু এস সেঙ্কসন নিংথৌকাবদগী হৌরগনি

**ৱাসিংতন, আগষ্ট ২৫ ঃ**

বৃটেনদা থোকখিবা নর্ব এজেন্ট এটেক অমগা মরী লৈননা রসিয়াগী মথক্তা থম্বা য়ু এস সেঙ্কসন নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চৎনবা হৌরগনি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিত্তা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।



অনৌবা য়ু এস সেঙ্কসনশিং অসি হৌখিবা চহী খরদা মোস্কোগী মথক্তা য়ু এস না থমখিবা ইকোনোমিক পেনাল্টিশিং অদুগী মথক্তা অহেনবা হাপচিল্লকপনি।

ফেদরেল রেজিষ্টারদা থোকখিবা নোটিশ অমদা য়াওবা ৱারোল অদুদা অনৌবা খোঙথাংশিং অসিনা রসিয়াদা শেনগী তেংবাঙ পীবা অমসুং খূৎশু–খূৎলাই খরা য়োনবা থিংলগনি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লোন পীবা য়াহল্লোই লোয়ননা সেক্যুরিটিগী ওইবা পোৎলমশিং অমসুং টেক্নোলোজি এক্সপোর্ট তৌবদা অথিংবা থল্লগনি।

অদুবু নাকল অমরোমদা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ু এস কী সেঙ্কসনশিং অদুদা লৈবাক অনীসিগী মরক্তা হেন্না উংখৎনবা থবক থোকহনগনি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিত্তা আর আই এ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

চহী অসিগী মার্চ থাদা হান্না রসিয়ান এজেন্ট ওইরম্বা অমসুং মহাক্কী মচানুপীবু বৃটেনদা মোস্কোনা নর্ব এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা এটেক তৌখিবা অদুগী পাউখুম অমনি হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবা, খ্বাইদগী নৌবা সেঙ্কসনশিং থমজিন্নবগী থৌরাংশিং অদু ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না আগষ্ট ৮ দা লাওথোকখিবনি।

রসিয়াগী জি আর য়ু মিলিটরি ইন্টিল্লিজেন্স সার্ভিসতা হান্না কর্নেল ওইরম্বা সেরগৈ স্কৃপাল অমসুং মশাগী চহী ৩৩ শুরবী মহাক্কী মচানুপী য়ুলিয়াগী য়ূমগী মমাঙথোঙদা নোভিচোক তাইপকী নর্ব এজেন্টকী মহি অমা তৈশিল্লমখিবা মতুংদা খা থংবা সিটি সেলিসব্যুরিদা বেঞ্চ অমগী মথক্তা জ্ঞান মাঙদুনা তারগা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

অদুবু এটেক অদুদা চৈন্নে হায়বদু মোস্কোনা য়াখিদে। ২০১৬ গী য়ু এস ইলেক্সনদসু মখোয়না খূৎ থিংজিল্লি হায়বদু য়াখিদে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হান্নদগী হৌনা থল্লিবা শাংলবা সেঙ্কসনশিংগী লিষ্ট অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মোস্কোনা শোয়দনমক মখোয়গী খোঙথাং হোংগদবনি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিত্তা ট্রম্পকী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টোননা হায়খি।

সেঙ্কসনসি থম্বগী অনৌবা খোঙথাং অসি ফোঙলগনি অমসুং আগষ্ট ২৭ তগী চৎনবা হৌরগনি লোয়ননা য়ামদ্রবদা চহী ১ থমগনি। মসি ১৯৯১ কেমিকেল এন্দ বাইওলোজিকেল ৱিপন্স এন্দ ৱারফিয়ার ইলিমিনেসন এক্টনা ওথোরাইজ তৌবনি হায়রি।

# চিনানা অৱাং শ্রীলঙ্কাদা য়ূম, লম্বীশিং শেমগৎ–শাগৎপা পাম্লি

**কলম্বো, আগষ্ট ২৫ ঃ**

শ্রীলঙ্কাগী খা থংবা লমদমগী ৱাংমদসু চিনাগী শাফু শন্দোক্লবগী পান্দম অমদা শ্রীলঙ্কাদা থোকখিবা সিভিল ৱার অমা লোইশিনখ্রবগী চহী ১০ রোমগী মতূংদসু শেমগৎ–শাগৎপগী মওং অমত্তা লৈত্রবা শ্রীলঙ্কাগী অৱাং থংবা লমদমদা চিনানা য়ূমশিং অমসুং লম্বীশিং শাগৎপা পাম্মী হায়না চাইনিজ অমসুং শ্রীলঙ্কান ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



খা শ্রীলঙ্কাদা অচৌবা চাইনিজ পোর্ট প্রোজেক্ট অমা অমসুং মদুগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অদুনা মীওই মীল্লিয়ন ২১ গী লৈবাক অসিবু শেনদোনদা পুখরে হায়না য়ানিংদবা কয়ামরুম ফোঙদোক্লক্তুনসু চিনাগী খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অসি চঙশিল্লকখিবনি।

কলম্বোদা লৈবা চিনাগী এম্বেসিদা পোলিটিকেল সেক্সনগী মকোক লুও চোংনা কুমজা ২০০৯ দা লোইশিনখিবা মাইনোরিটি তামিল সেপরেটিষ্টশিংগা গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা থোকখিবা চহী ২৬ কী লান অমগী ময়োল শ্রীলঙ্কাগী অৱাং অমসুং নোংপোক্তা নৌহৌননা শেমগৎ শাগৎপদা চিনানা তেংবাঙবা পাম্মী হায়খি।

মতম অদুদগী হৌজিক্তি ফিভম অদু তোঙাল্লবনা লৈবাক অসিগী অৱাং অমসুং নোংপোক্তা মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা শ্রীলঙ্কাগী গভর্ণমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা অমসুং তামিল মীয়ামদগী মতেংগা লোয়ননা ঐখোয়না প্রোজেক্ট কয়ামরুম হেন্না থন্নিংবগী অনীংবা লৈ হায়না মহাক্না পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা চিনা রেলৱে বৈজিং ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রুপ কো লিমিটেদনা এপ্রিল থাদা অৱাং থংবা দিষ্ট্রিক্ট জফনাদা য়ূম ৪০,০০০ শানবগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০০ হেনবগী প্রোজেক্ট অমা ফংখি। চিনাগী একজিম বেঙ্কনা প্রোজেক্ট অদুগী ফন্দ পীগদবনি।

অদুবু চাইনিজ ফার্ম অদুনা থৌরাং তৌরিবা কঙ্কৎকী য়ূমশিংগী মহুৎতা মফমদুগী মীওইশিংনা মখোয়গী হান্নগী চৎনবী য়ূমশিং ওইনা পাম্মী হায়বদগী প্রোজেক্ট অদু লেপ্তুনা লৈখিবনি।

ইন্দিয়ানসু শ্রীলঙ্কাদা পীবা গ্রান্ট অমগী খুখাদা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবদা অহানবা তাঙ্কক্কী শেমগৎ–শাগৎপদা য়ূম ৪৪,০০০ হান্ননা শাখ্রে অমসুং তামিল লানহৌবশিং মায়থিখিবগা লোয়ননা লোয়শিনখিবা সিভিল ৱার অদুদা শাথিনা মাঙ তাকহল্লম্লবা পলেলি এয়ারপোর্ট অমসুং কানকেসান্তুরাই হারবর নৌহৌনা শাগৎনবা থৌরাংসু তৌহল্লি।

কম্পিটিতরশিংনা হায়বা মমলদগী হেন্না নেমথবা মমল অমদা য়ূমশিং লম্বীশিং অমসুং ৱাতর ষ্টোরেজ ফেসিলিটিশিং শানবা চিনানা খূৎ লাম্থোক্লকখ্রে হায়না শ্রীলঙ্কা কেভিনেটকী সৌনিয়র মিনিষ্টর অনীনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

## চিনাদা হোটেল মৈ চাকপদা ১৮ শিরে

**বৈজিং, আগষ্ট ২৫ ঃ**

চিনাগী অৱাং নোংপোক প্রোভিন্স হৈলোংজিয়াংগী কোনুং হরবিনদা লৈবা হোটেল অমদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মৈ চাকপদা য়ামদ্রবা মীওই ১৮ শিরে, ১৯ শোক্লে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি।

ফাইয়ার সেক্যুরিটি রিগুলেসন চাং নাইনা থৌশাদবা চিনাদা মৈ চাকপগী থৌদোক তোইনা থোকই।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 26/06/18
Sl. No. 470
Valid : 25/06/18
Sl. No. 3751
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 22/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 306
Sl. No. 223065
Time : 07.00 to 10.00 a.m

# এলাইন লেন্দিং তৌরকপা য়াবগী থৌরাং লৈতে

**বরলিন, আগষ্ট ২৫ ঃ**

সুন্দ্রংদগী মশক খঙদবা থৱায় পানবা জিবশিং হায়বদি এলাইনশিং জর্মনিদা লেন্দিং তৌরকপা য়াবগীদমক লৈবাক অসিনা থৌরাংশিং তৌদ্রি হায়না জর্মন গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন গ্রীন পার্টি লোমেকর দৈতর জানেসেকতগী হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম অমদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি, এলাইনশিংনা ওইথোকপা য়াবা অহানবা মায়োক্নবা অমগীদমক প্রোতোকোলশিং নৎত্রগা প্লানশিং লৈতে।

লৌরিবা ফিরেপ অসি চুম্মী হায়রদুনা জর্মন গভর্ণমেন্টনা জর্মন টেরিতোরিদা এলাইনশিংনা অহানবা থেংনগনি হায়বা অদু য়াম্নমক ওইথোক্লোইদবা অমনি থাজে হায়না ঙসিগী সাইন্টিফিক নোলেজদা য়ূম্ফম ওইরগা গভর্ণমেন্টনা মখা তাখি।

ঙসি থাংজ নুমিত্তা ফোঙবা মেদিয়া আর্টিকল অমদা ওপোজিসন লোমেকর অসিনা গভর্ণমেন্টকী পাউখুম পামখিবনি।

সাইন্স ফিক্সন ষ্টার ট্রেকতা য়াওবা ইপোনিমস স্পেস রেস হায়বদুগী ভাবনা শাবা লোল ক্লিংগোনদা মমিং চৎলবা অঙাংশিংগী লাইরিক ‘দ লিট্টল প্রিন্স’ হায়বদু ট্রান্সলেসন তৌখ্রে হায়না জর্মন ন্যুজ এজেন্সি দি পি এ না ঙসি থাংজ নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখি।

ভাবনা শাবা সুন্দ্রংদা লৈবা ইপোনিমস কৌবা জিব কাঙবু অদুগী লোলনি হায়রিবা ক্লিংগোন লোলদা লাইরিক অদুগী মমিং ‘তা পুক মাচ’ হায়না কৌই অমসুং মদু ওক্টোবর থাদা ফোঙলগনি হায়না ট্রান্সলেতর নৈভেন এল. লিতায়রগী ৱাফম পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি অদুনা ফোঙদোক্লি।

## পাকিষ্টানগী হজ পিলগ্রিম ৪২ শিরে

**ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ২৫ ঃ**

সাউদি আরাবিয়াদা হৌজিক চত্থরিবা হজ লাই খুরুম্বগী থৌরম মনুংদা য়ামদ্রবদা পাকিষ্টানি পিলগ্রিম ৪২ তোঙান তোঙানবদা মরম কয়াদগী শিখ্রে হায়না পাকিষ্টানগী রিলিজিয়ন এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং ইন্টর–ফেথ হারমোনিগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হজ লাই খুরুম্বা চৎপদা শিখিবা মীওই ৪২ অদুগী মনুংদা নুপা ৩০ নি অমসুং নুপী ১২ নি মখোয় অয়াম্বা শ্বর ফুনবা নৎত্রগা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা শিবনি হায়রদুনা ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

## সনা–সুদোকু –১২৭১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 | 1 | 8 |
| 2 | 9 | 8 | 6 | 3 | 1 | 7 | 5 | 4 |
| 6 | 5 | 1 | 8 | 7 | 4 | 9 | 2 | 3 |
| 3 | 8 | 2 | 4 | 9 | 7 | 1 | 6 | 5 |
| 9 | 1 | 6 | 3 | 8 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 5 | 4 | 7 | 1 | 6 | 2 | 8 | 3 | 9 |
| 8 | 7 | 3 | 5 | 1 | 6 | 4 | 9 | 2 |
| 4 | 6 | 5 | 9 | 2 | 8 | 3 | 7 | 1 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 6 |

# নুপীশিংবু মশা শোক্লগা লায়না কোকহনবা ঙম্মী হায়বা অসামগী ‘কিসসিং বাবা’ ফাখ্রে



**মোরিগাওন (অসাম), আগষ্ট ২৫ ঃ**

মীয়ামগী অনা–অয়েক অমসুং খুদোংচাদবা কয়ামরুম মহাক্কী ‘চমটকারি চুম্বান’ হায়বদি অঙকপা মওংগী শোকপনা পুংকোক কোকহনবা ঙম্মী হায়বগীদমক মমিং চৎলবা মশানা লাইনি হায়জবা মীওই অমা অসাম পুলিসনা ফাখ্রে।

‘চুমা বাবা’ নৎত্রগা ‘কিসসিং বাবা’ হায়নসু খঙনরকখ্রবা রাম প্রকাশ চৌহান কৌবা মীওই অদু আগষ্ট ২২ য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ভোরলতুপ খুলদগী ফাখ্রে।

মঙোন্দা ময়ামগী পুমতোন তোঙানবা সুপরনেচরেল ওইবা শক্তিশিং চেল্লি হায়না মশানা মীয়ামদা শন্দোকই। নুপীশিংগী হকচাংগী ওইবা অমসুং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা ৱাথোকশিংবু মাগী চমটকারি চুম্বান হায়বা অঙকপা মওংগী শোক্লগা লায়েংবা অদুনা কোকহনবা ঙম্মী হায়না মহাক্না ফোঙদোকই।

মহাক্কী অসিগুম্বা মহৌশা নৎতবা লাইগী মতৌগুম্লবা শক্তিশিং অসি লোর্দ বিষ্ণুনা চানবীবদগী মঙোন্দা পীবিবনি হায়। অদুগা ইমুং মনুংগী নুপী–নুপাগী ৱাথোকশিংগী মতাংদা তেংবাঙনবা লাকপা নুপী খুদিংমক মহাক্না অৱাবা কোকহনবা ঙম্মী হায়রি।

নুপীশিংবু মখোয়গী ৱাখল লায়নাগী ওইবা নৎত্রগা হকচাংগী ওইবা লায়না কোকহন্নবা মফম ওইনা মাগী ময়ূমদা মহাক্না লাইশঙ অমা ফাওবসু শাদুনা থম্মী। মহাক্না মঙোন্দা মতেং পাংবিনবা লাকপা নুপীশিং অদুবু কোনশিল্লি অমসুং চুপ্পী। মসি মখোয়বু লায়েংনবগী মাগী মেথদশিংনি।

তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবশিং অমসুং য়ূমগী মতৈ–মনাও নৎত্রগা ইমুং–মনুংগী নুংশিনদবশিং কোকহন্নবা মঙোন্দা ইতৎ–তত্তনা লাকপা মফমদুগী মীয়াম মরক্তা মশানা লায়নি হায়জবা মীওইশি য়াম্না শকখঙনরবা মীওই অমা ওইরকখ্রে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

লায়েং মখল অমা ওইনা মহাক্না নুপীশিংবু কোনবা অমসুং চুপ্পগী ৱাকৎশিং ফংলবা তুংদা ঐখোয়না মহাকপু ফাখিবনি হায়না মোরিগাওন পুলিসকী জে বোরানা হায়খি।

লোকেল টেলিভিজন চেনেলশিংদা মহাক্না নুপীশিংবু চুপ্পগী শক্তমশিং উৎলকপদগী পুলিসনা চাওহানগী থৌওং অদু খঙলকখিবনি হায়রি।

# বিল গেটস ফাউন্দেসননা কেরলাগীদমক ক্রোর ৪ পীগদৌরি

**ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৫ ঃ**

চহী ১০০ গী মনুংদা খ্বাইদগী তমথিবা ঈচাও মায়োক্নরবা কেরলাগীদমক অৱা–তেংবাঙনবা দোল্লর ৬,০০,০০০ গী শেনফম অমা য়ুনিসেফতা পীরকখিবনি হায়না বিল্ল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসননা ফোঙদোকখ্রে।

ঈচাওনা ময়ূম থাদোকহল্লকখ্রবা, অৱাবা তারবশিংগী তেংবাঙবগী অমসুং মখোয়গী পুন্সি নৌহৌনা শেমগৎনবগী চাওরবা থবক অদুদা গভর্ণমেন্টনা হোৎনরিবশিং অমসুং এন জি ও শিংনা তৌরিবা থবকশিং অদু হেনগৎহন্নবা পান্দমদা ফাউন্দেসনগী ইমর্জেন্সি গ্রান্ট অসি পীবনি হায়না ফাউন্দেসন অসিনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়খি।

বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসননা কেরলাগী ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং লীশিং কয়াগী মফমদা মীনুংশি ফোঙদোক্লক্লি হায়না ফাউন্দেসন অসি গ্লোবেল দিভলপমেন্টকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ক্রিস এলিয়াসনা হায়খি।

# মহারাষ্ট্রদা খূৎশু খূৎলাই ফাখিবগী কেসতা মীওই ১ গসু ফারে

**মুম্বাই, আগষ্ট ২৫ ঃ**

মহারাষ্ট্রদা বোমশিং, বোম শানবা মচাকশিং অমসুং খূৎশু–খূৎলাই ফাখিবগী থৌদোক থিজিল্লিবা মহারাষ্ট্র এন্টি–টেরোরিজম স্কোয়াদ (এ টি এস) না মুম্বাইগী ঘাটকোপরদগী মীওই ১ গসু ফারে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। মীওই অদুগী মমিং অভিনাশ পৱার (৩০) কৌই।

মহাক্না কেস অসিদা পুলিসনা হান্না ফাখ্রবা মীওই ৪– বৈভব রাউট, শরদ কালাস্কর, সুধনৱা গোন্ধলেকর অমসুং শ্রিকান্ট পানগর্কর লোয়ননা বোম কয়ামরুম পোকখাইহনবগী লৌতুনবা য়াওখিবনি।

এক্সপ্লোসিভস এক্টকী সেক্সন ৯(বি) গা লোয়ননা এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন ৪,৫, আই পি সি গী সেক্সন ১২০বি, অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ু এ পি এ) গী সেক্সন ১৬ (টেরোরিষ্টকী থবক তৌবগী চৈরাক), ১৮ (টেরোরিষ্টকী থবক তৌনবগী লৌতুনবা) অমসুং ২০ (টেরোরিষ্টকী গেংগী মেম্বর ওইবা) গী মখাদা ঐখোয়না অভিনাশ পৱারবু ফাখিবনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা হায়রি।

ষ্টেট অসিগী মফম কয়ামরুমদা বোমশিং পোকখাইহনবদা শীজিন্নবগীনি হায়বা ক্রুদ বোম ২০, গেলেটিন ষ্টিক্ট ২, ইলেক্ট্রোনিক দিতোনেটর ৪, নন–ইলেক্ট্রোনিক দিতোনেটর ২২, এক্সপ্লোসিভ পাউদর গ্রাম ১৫০ অমসুং অতৈ মচাক মথুম কয়া হান্ননা রিকোভর তৌখ্রে হায়না এ টি এস না হায়খি।

# মীতোপ চঙশিল্লকপগী মায়োক্তা এন এস এফ না কোহিমাদা রেল্লি চৎখ্রে

**কোহিমা, আগষ্ট ২৫ ঃ**

নাগালেন্দদা আইননা য়াদবা মীতোকপশিং চঙশিল্লকপগী মায়োক্তা অমসুং ইনর লাইন পার্মিটকী মীৎয়েং মখাদা দিমাপুর দিষ্ট্রিক্টকপুসু য়াওহন্নবগী দিমান্দ নাগা ষ্টুদেন্স ফেদরেসন এন এস এফ না ঙরাং কোহিমাগী লম্বীশিংদা রেল্লি চৎখ্রে।

ইনর লাইন পার্মিট (আই এল পি) নাগা নৎতবশিংনা নাগালেন্দদা চঙবদা মথৌ তাই। অদুবু ষ্টেট অসিদা আই এল পি না কোনশিন্দবা অমত্তা ঙায়রবা দিষ্ট্রিক্ট অসি দিমাপুরনি।

করিগুম্বা ষ্টেট অসিদা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংহৌদ্রবদি মসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংবু আইন্না য়াদবা মীতোপশিং অসিনা নমহৎখ্রগনি হায়না এন এস এফ প্রসিদেন্টনা হায়খি।

আই এল পি চৎনরিবা ষ্টেট অসিদা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংগী রেকোর্দ গভর্ণমেন্টনা নীংথিজনা থমদে। মরম অসিদগী এন এস এফ না অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা আগষ্ট ৮ দা নাগা নৎতবশিংগী আই এল পি তঙাইফদনা চেক তৌখিগনি হায়রি।

এন এস এফ মেম্বরশিং অদুনা নোং চুবা মরক্তা মরু ওইনা তাউন কোহিমা ফাওদুনা লাক্লগা চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজরদা মখোয়গী দিমান্দ য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1272**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | 8 | | | 9 | |
| | | | 3 | | | | 1 | 6 |
| | 5 | | 1 | | | 2 | | |
| | 1 | | 9 | 6 | 4 | | 5 | |
| | | 6 | | | | | | 9 |
| 3 | | | | | | 1 | | |
| | 8 | | | 3 | 5 | 9 | | |
| | | | | | | | | 2 |
| 7 | | 9 | | | | | | 3 |